# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, JULY 08, 2019 PAGE 7




*কম্মনৱেল্থ চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ৫রকশুবা নুপাগী টাইটল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী চেছ শান্নরোই অভিজিৎ গুপ্ত*

*জর্মন মোটো গ্রান্দ প্রিগী টাইটল ৭ লক থংন–থংননা লৌবা ঙমখ্রবা মশাগী চহী ২৬ শুরবা হোন্দা ড্রাইভর স্পেন মচা মার্ক মারক্বেজ*



## য়ু এস এনা নেদরলেন্দসপু ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ৪রকশুবা টাইটল লৌখ্রে



*লিওন, জুলাই ০৭(এজেন্সি)ঃ*

ফ্রান্সনা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরকপা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা য়ু এস এনা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪রকশুবা টাইটল লৌখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঙ্গল মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন য়ু এস এগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা য়ু এস এনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা মেগান রাপিনোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা শোত্থরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ য়ু এস এগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী ৬৯ শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা রোজ লাভেলিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা টাইটল লৌবগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৩০ রোমগী মতম অদু শান্নরকপদা পাঞ্জল অনী শোত্থদুনা লৈরিবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি। অদুগা য়ু এসকী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী ফাইনেল মেটচ অদু য়ু এস এনা নেদরলেন্দসপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফিফা ৱুমেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ৪রকশুবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা স্বিদেননা ইংলেন্দবু ২–১ দা থোইদুনা মফম অসি কনবা ঙমখ্রে।

শান্নবা হেক হৌবদগী স্বিদেনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ১১শুবা মিনটতা স্বিদেনগী শান্নরোই কোসোভারে অসল্লানিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২২শুবা মিনটতা পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা স্বিদেনগী অতোপ্পা শান্নরোই সোফিয়া জেকোবসননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ফ্রান কিরবিনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা স্বিদেননা ইংলেন্দবু ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চত্থনদুনা লাকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মখিদবদগী শান্নখিবা মেটচ অদু স্বিদেননা ইংলেন্দবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

## অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা শান্নরগনি

*লন্দন, জুলাই ০৭(এজেন্সি)ঃ*

ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দগা থা অসিগী ৯ দা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৪৫শুবা অমদি অরোইবা লীগ মেটচতা সাউথ অফ্রিকানা ওস্ট্রেলিয়াবু রন ১০ দা থোইখিবদগী ইন্দিয়ানা পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ১৫ ফংদুনা মকোক ওইবা ঙমখিবদগী ৪শুবা পোজিসনদা লৈখিবা ন্যু জিলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতনা অনীশুবা অমদি ৩শুবা পোজিসন তাখিবা ওস্ট্রেলিয়া অমদি ইংলেন্দনা থা অসিগী ১১ দা শান্নরগনি।

ওস্ট্রেলিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকানা শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেটচ অসিগী টোস সাউথ অফ্রিকানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৩২৫ লৌবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংসতা কেপ্টেন ফাফ দু প্লেসিসনা রন ১০০ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। টিমমেট রাসি ভান দর সুসেনসু রন ৯৫ লৌরমখি।

ওস্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ৩২৬ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৫০শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ৩১৫ লৌখিবদগী মেটচ অদু সাউথ অফ্রিকানা রন ১০ দা মায় পাকখি। ওস্ট্রেলিয়াগী ইন্নিংস অদুদা দেবিদ ৱার্নরগী রন ১২২ অমদি ৭শুবা বেটসমেন এলেক্স কেরিনা লৌরম্বা রন ৮৫ না টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স ওইখি।

| Semi-Finals |
| --- |
| 1st Semi-Final (9/7/2019) India vs New Zealand, Venue: Emirates Old Trafford, Manchester Time (in IST) : 3.00 pm |
| 2nd Semi-Final (11/7/2019) Australia vs England Venue: Edgbaston, Birmingham Time (in IST) : 3.00 pm |

ICC Cricket World Cup 2019 - Points Table

| Teams | M | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| **India** | **9** | **7** | **1** | **0** | **1** | **15** | **+0.809** |
| Australia | 9 | 7 | 2 | 0 | 0 | 14 | +0.868 |
| England | 9 | 6 | 3 | 0 | 0 | 12 | +1.152 |
| New Zealand | 9 | 5 | 3 | 0 | 1 | 11 | +0.175 |
| Pakistan | 9 | 5 | 3 | 0 | 1 | 11 | -0.430 |
| Sri Lanka | 9 | 3 | 4 | 0 | 2 | 8 | -0.919 |
| South Africa | 9 | 3 | 5 | 0 | 1 | 7 | -0.030 |
| Bangladesh | 9 | 3 | 5 | 0 | 1 | 7 | -0.410 |
| West Indies | 9 | 2 | 6 | 0 | 1 | 5 | -0.225 |
| Afghanistan | 9 | 0 | 9 | 0 | 0 | 0 | -1.322 |

## ইন্দিয়াগী কাশ্যপ কানাদা ওপন বেদমিন্টনগী ফাইনেল য়ৌখ্রে



*কালগেরি, জুলাই ০৭(এজেন্সি)ঃ*

কানাদাগী সিটি কালগেরিদা চত্থরিবা য়ু এস দোল্লর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপ ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী পরুপল্লি কাশ্যপনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী ৱাং ঝু ৱৈবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৪–২১, ২১–১৭, ২১–১৮ দা থোইদুনা ফাইনেলদা চাইনাগী লি সিফেংগা শান্নরগনি।

চাইনাগী লি ফেংনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা জপানগী শান্নরোই কোকী ৱাটনবেবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২০–২২, ২১–১০, ২১–১১ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

কানাদা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ংনা চাইনাগী ৱাং ঝিয়িগা লম্বা তৌনরগনি।

৫শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী অন সে য়ংনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা জর্মনিগী ফাবিনে দেপ্রেজবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৭, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা চাইনাগী ৱাং ঝিয়িনা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৬শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী কিম হিয়ো মিনবু ২১–১৩, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী হিরোকি ওকামুরা অমদি মাসায়ুকি ওনোদেরানা ৮শুবা সিদেদ দেনমার্ককী পেয়র মাথিয়াস বো অমদি মেদস পিটরসনগা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপকী অহৌবা মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়া টাজিকিস্টাননা ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে




*অহমেদবাদ, জুলাই ০৭(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী ষ্টেট গুজরাটনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিগী শান্নবা হৌখিবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপকী অনীশুবা ইদিসনগী অহানবা মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম টাজিকিস্টানগী মখূত্তা গোল ২–৪ দা মায়থিখ্রে।

মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌরবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অকনবা এটেক চত্থদুনা লাকখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ঙন্না গোল ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল শোত্থরবা টাজিকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখি। টাজিকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা পীরকখিবা প্রেসরশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট য়ামশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি। মেটচকী ৪১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা উদান্ত সিংহনা পীরকপা পাস অমা টিমমেট ছাংটেনা নীংথিনা বোল অদু কলেক্ট তৌরগা ফিভম ফজনা লৈরিবা টিম অসিগী কেপ্টেন সুলিন ছেত্রিদা খাইদোরকখিবা বোল অদু সুনিল ছেত্রিনা অশোয় অঙাম য়াওনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা টাজিকিস্টানবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা টাজিকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা কাউন্টর এটেক অমদা কোরমোন টুরসুনোভনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

টাজিকিস্টাননা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মতুং মিনট ৩ লৈরগা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কোরমোন টুরসুনোভনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট বোবেভনা টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ছাংটেনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোং চাবা অমা নাম্থোকহনখি।

মেটচকী ৭১ শুবা মিনটতা টাজিকিস্টানগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মোহমদজোন রাহিমোভনা ইন্দিয়াগী গোলকিপর গুরপ্রিত সিংহ সান্ধুবু মায়থিবা পীরম্লগা গোল অমনা চনশিনবা ঙমখিবদগী ৩–২ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা টাজিকিস্টানগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই সাহরোম সাহিয়েভনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থারগা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা লাকখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফনা কন্না পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখ্রবসু টাজিকিস্টানগী দিফেন্দরশিংনা ফজবা ঙমখিবদগী অহানবা মেটচ অদু টাজিকিস্টাননা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ইন্দিয়াবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীরমখি। ইন্দিয়ানা ইন্টরকন্টিনেন্টেল কপ অসিগী অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৩ দা নোর্থ কোরিয়াগা শান্নরগনি।

## আর্জেন্টিনানা চিলিবু ২–১ দা থোইদুনা কোপা অমেরিকাগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

*সাউ পাওলো, জুলাই ০৭(এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা কোপা অমেরিকা ফুটবোলগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা আর্জেন্টিনানা চিলিবু গোল ২–১ দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অসি হেক হৌবদগী আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ১২শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই সর্জিও এগুইরোনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

চিলিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ২২শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী অতোপ্পা শান্নরোই পাওলো দিবালানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা চিলিগী শান্নরোই গেরি মেদেল রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখি। মিনট অমা লৈরগা আর্জেন্টিনাগী মরুওইবা শান্নরোই লিওনেল মেসিসু রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখিবদগী টিম অসিগী শান্নরোই ১০। ১০ খক ঙাইহৌখি। অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা আর্জেন্টিনানা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা চিলিগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা চিলিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা অরটুরো ভিদালনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ১–২ দা লৈখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু ঙম্মখিদবদগী আর্জেন্টিনানা চিলিবু গোল ২–১ দা থোইদুনা কোপা অমেরিকা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## য়ং বোইজ পুখাও অমদি ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমী মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, জুলাই ০৭(এস এন এস)ঃ*

য়ং লরর্নস লাইব্রেরি এন্দ লিদিং ওগর্নাইজেসন (য়োলো) কৈবীনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৯ দগী টিম ২৭ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা কৈবী প্রাইমারি স্কুল গ্রাউন্দ কেবীদা চত্থরিবা ১২শুবা য়োলো কপ অন্দর ১৫ বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ং বোইজ পুখাওনা য়োলো কৈবীবু কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৮–৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা য়ং বোইজ পুখাওগী অপীবা মিনটতা চনখিবা গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১৬ জেমসননা মিনট ১৬ অমদি জর্সি নমব ৪ রোবার্টনা মিনট ৩৩ দা চনখি। পেনাল্টিদা চনখিবা গোলশিং অদুনা জেমসন, রোবার্ট, উমাকান্ত, কিনান, ইশ্বরচন্দ্র অমদি নাওবীনা চনখি। মায়থিরবা য়োলোগী গোলশিং অদুনা সনাথোইনা অপীবা মিনট ২৭ অমদি ৩১ অদুগা পেনাল্টিগী গোলশিং অদুনা প্রিতম, দিঙ্কু, সনাথোই, অঙৌস্না অমদি থোইচানা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমী অমদি ঈশিংথেম্বী কোং মরু এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা ওরিয়েন্টেল স্পোর্টস একাদেমীনা ঈশিংথেম্বী কোং মরু এফ সিবু কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কতা গোল ৭–৬ তা মায়থিবা পীখি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETERINARY & A.H. SERVICES**

-------------

"ওকশিংদা নাগনবা লায়না স্বাইন ফিভর"

(ওক লোইবিরিবা ফার্মরশিংদা খঙহঞ্জবা)

স্বাইন ফিভম কৌবা লায়না অসি হোগ কোলেরা হায়নসু খঙনবা ওক্তা নাগনবা লায়না অমনি। মসি য়াম্না লৌনগদবা মহিক, ভাইরসনা থোকহনবা ওক্কী মখল খুদিং অমসুং মশাগী চহী মতাং থিদনা নাগনবা লায়না মখল অমনি।



- ⇨ লায়না অসি আর এন এ ভাইরস পেস্তিভাইরস হায়না খঙনবা মখল অমনা থোকহনবনি। য়াম্না শন্দোক্কনবা লায়না অসিগী লায়চৎ মতমদা নাবা অমসুং শিবগী চাং অসি চাদা চাম্মা ফাওবা য়ৌই।
- ⇨ লায়না অসিগী মহিক অসি চেল্লবা অনাবা অমদগী চানবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং, থকপা চাবা মতমদা য়াওখিবদগী অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই অমসুং অনাবগা নক্লনা লৈবশিংনা শ্বর হোনবদা মহিক অসি হোনজিনখ্রগসু লায়না অসিনা নাহল্লি।
- ⇨ অনাবা ওক্তা শোক্লা শম্নরুবদগী লায়না অসি শন্দোকই, মরমদি অনাবা ওক্কী মনপ মতিন, মথি ময়ুংনচিংবদা ভাইরস অসি য়াওই। মহিক অসিনা নাবা ফরবা ওক্কী মথী অমদি ময়ুংদা চয়োল ২ দগী ৩ ফাওবা য়াওদুনা হিংবা ঙম্মী। মসিনা মখা তানা শন্দোরক্লবগী মরম ওইরকই।
- ⇨ নাবা ফরবা ওক্লা লায়না অসিগী মহিক চেন্দুনা কেরিয়ার ওইদুনা লৈ।
- ⇨ মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র, মকোন্দা চঙথোক–চঙশিন তৌবদা শিজিন্নরিবা খোংউপ বুট অমসুং ওক পুথোক পুশিন তৌনরিবা গাড়ীনচিংবদগীসু লায়না অসি শন্দোকই।
- ⇨ মরুওইবা লায়ওংশিংদি লাইহৌ কন্না হৌবা, চানিং থক্লিং পোক্তবা, মশা শোন্থবা, মশা কোনথোক কোনশিন য়াদবা, মখোং মহি লাংবা হান্বা, ওবা, উনশাগী শরুক্তা মুরৈননা খাম্বা অসিনচিংবনি।
- ⇨ পোষ্ট মোর্টেম অমদি Laboratory দা চাংয়েং তৌথোক্তুনা চপ চানা লায়না অসিনা নারে হায়বা খঙদোকপা য়াই।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়েং লৈতে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি মতম চানা নাদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা তিকা থাদোকপীবা / কাপথোকপীবা অসিনি। অদুনা ওক লোইবিরিবশিংনা মাঙজৌননা লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবা তিকা (ভেক্সিন) কাপথোক্লবা / থাদোকপীনবা ডিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল। ডিস্পেনসরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফশিংগা তান্নবিদুনা অমসুং পাও ফাওনবিদুনা মতম চানা তিকা (ভেক্সিন) থাদোকপীয়ু। ওক মচাশিংনা মপি হেক খায়নরকপা মতমদা তিকা থাদোকপা য়ারে অমদি ওক খূদিংমক চহী খুদিংগী ওইনা শুকশোই শোয়দনা তিকা থাদোকপীগদবনি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ
ডাইরেক্টর,
দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি,
মণিপুর

SL/B(V)/7-11June 19


## ব্রাজিলগী সোজা মায় পাকখ্রে, ইন্দিয়াগী বোপানা অমদি সরন মিক্স দবলসতা লৈহৌরে

*লন্দন, জুলাই ০৭(এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলগী জোৱাও সোজা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি দিভিজ সরন মিক্স দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ব্রাজিলগী জোৱাও সোজানা বৃটেনগী শান্নরোই দানিয়েল ইভান্সপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–৪, ৭–৫, ৪–৬, ৬–৪ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৩শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি বেলারসকী অরিনা সবালেনকা ন্যু জিলেন্দগী অরটেম সিটাক অমদি জর্মনিগী লোরা সৈগেমুন্দগী মখূত্তা ৪–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই দিভিজ সরনসু চাইনাগী য়িংয়িং দুৱানগা পেয়র ওইদুনা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা বৃটেনগী পেয়র ইদেন সিলভা অমদি ইভান হোয়টকী মখূত্তা ৩–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌবদগী লৈহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ জেন পিয়র্স অমদি চাইনাগী স্বাই ঝাংনা ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেন অমদি বৃটেনগী হিথর ৱাটসনবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ১০শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টি অমদি বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা স্বিদেনগী পেয়র রেবেকা পিটরসন অমদি স্লোভাকিয়াগী তামারা জিদানসেকপু ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

ক্রোসৱার্দ ২১২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| D | A | R | E | S | ■ | P | A | S | T | ■ | R | U | E | D |
| E | X | A | L | T | ■ | E | L | H | I | ■ | U | N | T | O |
| A | L | T | E | R | ■ | L | O | O | M | ■ | N | I | T | E |
| L | E | A | V | E | I | T | T | O | B | E | A | V | E | R |
| ■ | ■ | ■ | E | E | R | ■ | ■ | K | E | R | R | ■ | ■ | ■ |
| M | C | M | ■ | T | A | C | O | ■ | R | I | O | T | E | D |
| I | R | A | S | ■ | T | O | A | D | ■ | C | U | O | M | O |
| R | E | C | K | L | E | S | S | A | B | A | N | D | O | N |
| E | E | R | I | E | ■ | T | I | N | Y | ■ | D | A | T | A |
| S | P | O | N | G | E | ■ | S | E | R | F | ■ | Y | E | S |
| ■ | ■ | ■ | T | I | D | E | ■ | ■ | O | A | S | ■ | ■ | ■ |
| S | P | L | I | T | I | N | F | I | N | I | T | I | V | E |
| T | R | I | G | ■ | T | O | R | N | ■ | S | O | N | A | R |
| E | A | C | H | ■ | O | L | E | G | ■ | A | N | T | I | S |
| N | Y | E | T | ■ | R | A | T | E | ■ | L | E | O | N | E |